# ইন্দোনেসিয়াদা মৈগী চীং পোকখায়রকপদগী মীওই কয়া ময়ূম থাদোক্তুনা চেন্নখ্রে



জকার্টা, দিসেম্বর ০১ (এজেন্সী) :
ইন্দোনেসিয়াগী মপূং ওইবা ঈথৎ জভাদা লৈবা মৈগী চীং সেমেরু লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পোকখায়রক্তুনা মীওই ৫৫০ রোম ময়ূম-মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নখ্রে। নেসনল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এজেন্সীগী মতুংইন্না মৈগী চীং অদুদগী মৈঙাল থোকপা লাভা অমসুং অশাবা মৈখু কামথোরকখি।
দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এজেন্সীগী স্পোক্সপর্সন রদিত্যা জ াতিনা ফোঙদোকখিবদা, লাঞ্জেল্লিবা মীওইশিংদুগী মনুংদা মীওই ৩০০না ওবজার্ভেসন পোষ্ট অমদা চেনখি অমসুং অতৈনা সেল্টরশিংদা চঙশিনদুনা লৈখি। ইষ্ট জভা প্রোভিন্সকী লুমাজাং দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা মৈগী চীং অদু লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নোংঙাল্লমদাই পুং ১.২৩ তাবদা পোকখায়রকখিবনি।
মৈগী চীংদোলগী খা নোংপোক লোমদা লৈবা বেসোক কোবোকান তম্না লাভা অমসুং মৈখু মথংশিৎনা কিলোমিটর অমা অমসুং ১১ ফাওবা শাংনা কামথোরকখি।
নোংঙাল্লমদাই পুং ৩ তাবদা নোং কন্না চুরকপদগী ওবজার্ভেসন পোষ্টকী অকোয়বদা নোংগী ঈশিংগা মৈগী চীংদগী থোক্লকখিবা অশাবা উৎকা তারকখি। লাভানা শাবগী চাং ৱাংবদগী অসিগুম্বা ফীভম অসি লাকপনি হায়না জ াতিনা ফোঙদোকখি।
হৌজিক মৈগী চীং অদুগী এক্টিভিটি অনীশুবা খ্বাইদগী ৱাংবা থাক নৎত্রগা চেকশিনবা য়াবগী থাকনি। মৈগী চীং পোকখায়রল্লিবদুনা শোকহল্লিবা ভিলেজশিংগী মনুংদা সুপিটুরাং, ওরো-ওরো ওমবো, রোৱোবোউং অমসুং সুমবেরৱুলুহ য়াওরি। ভিলেজশিং অসি লুমাজাং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ঙাক্তনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।
দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এজেন্সীগী ওফিসল অসিগী মতুংইন্না, খুদক্তা চাবা য়াবা পোৎলমশিং, পব্লিক কিচনশিং অমসুং মাস্ক য়াওনা অৱাবা নংলবশিংনা শীজিন্নবদা চঙবা পোৎলম কয়াগী মথৌ তারি।
সেন্টর ফোর ভোলকেনোলোজি এন্দ জিওলোজিকেল হজার্দ মিটিগেসননা লোকল মীওইশিংনা মৈগী চীং অদুগী মতোন্দগী কিলোমিটর অমনা কোনবা খুদোংথিনীংঙাই ওইরিবা মফমশিংদা চঙশিন্দনবা অমসুং চীংদোনগী খা নোংপোক থংবা চীংমাইদগী কিলোমিটর ৪না কোনবা খুদোংথিনীংঙাই ওইবা জে ানদা থবক অমত্তা তৌদনবা পাউতাক পীখ্রে হায়রি।
ইন্দোনেসিয়ন ওথোরিটিশিংনা মাস্ক৮০০০ য়েন্থোকপগা লোয়ননা ফিল্ড ইভাক্যুএসন পোষ্ট অমা শেমখ্রে। সেমেরু অসি জভা ঈথৎকী খ্বাইদগী ৱাংবা চীংনি। চীং অসি ইন্দোনেসিয়াদা হাইকিংগীদমক্তা খ্বাইদগী পাম্নবা মফম অমসু ওইরিবনি।

# পি দি এমগী মঙাশুবা পৱার সোদা ইমরান খান মফম থাদোক্লবা দিমান্দ তৌখ্রে

ইস্লামাবাদ, দিসেম্বর ০১ (এজেন্সী) :
কোভিদ-১৯ লাইচৎ লাকশিনবা ঙম্বগী ৱাংমদা হেনগৎলকপদগী পাকিস্তান গর্ভর্মেন্টনা মীয়ামগী রেলিশিং পাঙথোকপদা অথিংবা থম্বা লৈরবসু লৈবাক অসিগী ওপোজিসন এলাইএন্স পি দি এমনা মুল্টান্দা মখোয়গী মঙাশুবা পৱার সো পাঙথোক্তুনা প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খান মফম থাদোক্লবা নৎত্রগা মফম লৌথোক্লবা দিমান্দ তৌখ্রে।
এক্সপ্রেস ত্রিব্যুনগী রিপোর্ট মতুংইন্না, কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন ৱাংখৎলক্লে হায়রদুনা মুল্টান দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনন নিংথৌকাবা নুমিৎতা রেলি অদু পাঙথোক্লবগী অয়াবা পীখিদে। রেলি মফম কিলা কোহনা কসিম বাঘ ষ্টেদিয়মদা চঙবা য়াদনবা হায়দুনা পুলিস অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনন কন্টেনর কয়া মফমদুগী অকোয়বদা থমখি।
অদুম ওইনমক লৈবাক অসিগী ওপোজিসন পার্টি ১১না পুল্লগা শেম্বা এলাইএন্স অমা ওইরিবা পাকিস্তান দেমোক্রেটিক মুভমেন্ট (পি দি এম) না খোঙফম হন্দোকপা তৌদনা পৱার সো অদু পাঙথোকখি। পাকিস্তান মুসলিম লিগ - নৱাজ (পি এম এল - এন) গী ভাইস প্রসিদেন্ট মরিয়ম নৱাজ, পি দি এম অমসুং জমিয়াটউলেমা ইস্লাম ফাজল (জে য়ু আই - এফ) কী চীফ মৌলানা ফাজলুর রেহমন, বালোচিষ্টান নেসনল পার্টি (বি এন পি - এম) গী প্রসিদেন্ট সরদার অদ্যতর মেঙ্গল, হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর য়ৌসুফ রাজা গিলানি অমদি অতৈ লিদর কয়া রেলি অদুদা শরুক য়াখি। নোভেল কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইবদগী রেলি অদুদা পাকিস্তান পিপলস পার্টি (পি পি পি) গী চেয়রমেন বিলাৱাল ভুটো জরদারি য়াওখিদ্রবসু মহাক্কী মচন্নুপী অসিফ ভুটো জরদারিনা পোলিটিক্সতা অহানবা ওইনা খোঙদাদুনা রেলি অদুদা য়াওখি।
শরুক য়ারিবশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা মরিয়ম নৱাজনা হায়খি, আর্মিনা খনবা গভর্ণমেন্ট অসিনা কোরোনাভাইরস পেন্দমিক্কী খুদোংচাবা লৌদুনা ওপোজিসন পার্টিশিংগী ঈহৌদা অথিংবা পীনবা হোৎনরি। মখোয়না কোরোনাভাইরস লাইচৎ লাকশিন্নবা তৌবগী মহুত্তা ওপোজিসন পার্টিশিং লাকশিন্নবা লোকদাউন থম্বা পামই হায়না মরিয়মনা ফোঙদোকখি। চাউরবা রেলি অদুদা অহানবা ওইনা ৱা ঙাঙলদুনা অসীফানা হায়খি, মীয়াম্না মখোয়গী ভর্দিক্ট ৱারেপ পীরে, হৌজিক অখন্নবা লৈঙাক লৈবা য়াররোই।
চৈরকসিদা জে য়ু আই -এফকী চীফনা মহাক্কী পার্টিগী ৱার্করশিংদা দিসেম্বর ১৩দা লাহোরদা পাঙথোক্কদৌরিবা রেলিদা মশীং য়াম্না শরুক য়ানবা আপিল তৌখ্রে। রেলি অদু কেপিটেলে ইস্লামাবাদ পাংলক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা গভর্ণমেন্ট অমসুং ওপোজিসনগী মরক্তা অরোইবা মুক্নবা ওইগাদৌরিবনি। পি দি এমগী মমাঙগী রেলি মরি গুজ্রনৱালা (ওক্টোবর ১৬), করাচি (ওক্টোবর ১৯), ক্বেতা (ওক্টোবর ২৫) অমসুং পেশৱার (নবেম্বর ২২) দা পাঙথোকখ্রবনি।

# শ্রীলঙ্কানা কোভিদ-১৯ থিংনবগী চার্জ পুনবা অনৌবা ষ্টেট মিনিষ্টর হাপখ্রে

কলম্বো, দিসেম্বর ০১ (এজেন্সী) :
শ্রীলঙ্কাদা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন মশীং ২৩,০০০ হেনখিবা অমদি ভাইরস অসিনা শিহনখিবা মশীং ১১৮ য়ৌখিবগা লোয়ননা ঈথৎ লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট গোতাবায়া রাজাপক্সানা কোভিদ-১৯ থিংবগী চার্জ পায়গদবা অনৌবা ষ্টেট মিনিষ্টর অমা হাপ্লে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ওফিসল ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।
প্রসিদেন্টকী ওফিসনা থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়, রাজাপক্সানা সুদর্সানি ফর্নান্দোপুলেবু গভর্ণমেন্টকী অনৌবা পোর্টফোলিও অমা ওইনা শেম্বা প্রাইমারি হেল্থ সর্ভিসেস, পেন্দামিক্স অমসুং কোভিদ প্রিভেন্সনগী ষ্টেট মিনিষ্টর হাপখিবনি।
প্রাইমারি হেল্থ ক্যের সর্ভিসেস ফগৎহনবা হায়বসি মীয়ামগী মরু ওইনা খুঙ্গংগী লমশিংদা হেল্থ ক্যেরগী থাক ৱাংহন্নবা হোৎনবদা য়াম্না মরু ওইনা চঙই হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা ফোঙদোকখি।
শ্রীলঙ্কাদা কোরোনাভাইরস লেপ্তুনা শন্দারকপগা লোয়ননা প্রসিদেন্ট রাজাপক্সানা লাইচৎ শন্দোরকপা মাঙজৌননা খঙনবা অমসুং লাইচৎ লাকশিন্নবগী পোলিসি অমসুং প্রেক্টিকেল মেকানিজম অমা ৱারেপ লৌখি অমসুং পান্দম অসি ফংনবা অনৌবা মিনিষ্ট্রি অসি শেমখিবনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।
ফর্নান্দোপুলে হান্না প্রিজন রিফোর্মস এন্দ প্রিজনর্স রিহেবিলিটেসনগী ষ্টেট মিনিষ্টর ওইরম্মী। লৈবাকপোকপা নুমিৎ ফাওবদা শ্রীলঙ্কাদা কোরোনাভাইরস কেস ২৩,৯৮৭ রেজিষ্টর তৌখি। কেপিটেল কলম্বোগী মফম খরদি নৌনা ইনফেক্সন ৱাংখৎলকপদগী হৌজিকসু লোকদাউন থম্লি।

# ম্যান্মারগী খূৎলায় পায়বা গ্রুপশিংগী মায়োক্তা ওপরেসন লেপ্পগী মতম শাংদোকখ্রে

য়াঙ্গোন, দিসেম্বর ০১ (এজেন্সী) :
ম্যান্মারগী খূৎলায় পায়বা গ্রুপশিংগী মায়োক্তা চত্থবা ওপরেসনশিং লেপ্পগী মতম দিসেম্বর লোইবা ফাওবা শাংদোক্লে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লৈবাক অসিগী মিলিটরিনা লাউথোকখ্রে।
দিফেন্স সর্ভিসেসকী কম্মান্দর-ইন-চীফকী ওফিসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মিলিটরি এক্টিভিটিশিং লেপ্পগী মতম নিংথৌকাবা নুমিৎতা লোইখ্রবসু মখা তানা দিসেম্বর ৩১ ফাওবা শাংদোক্লগনি।
মিলিটরি ওপরেসন লেপ্পগী মতম শাংদোক্লিবদু কোরোনাভাইরস পেন্দমিক থিংবা, লাকশিনবা অমসুং লায়না অসিবু লায়েংবগী থবক হেন্না নিংথিনা পাঙথোক্লবগী পান্দমনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।
গভর্ণমেন্টনা টেররিষ্ট গ্রুপশিং লৈরিবা মফমশিংনি হায়না লাউথোকখিবা মফমশিং নত্তনা হায়রিবা মতমদুগী মনুংদা কম্মান্দ এরিয়াশিংদা মিলিটরি ওপরেসনশিং লেপকনি।
পিছ প্রোসেস মায় পাক্লা পাঙথোকপা য়ানবগীদমক্তা মিলিটরিনা পিছ টোক কম্মিটিসু শেমখ্রে।

# লোস এঞ্জেলিসতা য়ূমদগী হেন্দোক্তনবগী অনৌবা ওর্দর চৎনখ্রে

লোস এঞ্জেলিস, দিসেম্বর ০১ (এজেন্সী) :
য়ু এসকী খ্বাইদগী মীশিং য়াম্বা কাউন্টি লোস এঞ্জেলিসতা কনফার্ম তৌরবা কোরোনাভাইরস কেস মশীং ৪০০,০০০ হেনখিবগা লোয়ননা কাউন্টি অদুদা মীয়াম্না য়ূমদগী হেন্দোক্না লৈনবগী ওর্দর চৎনহনখ্রে।
নিংথৌকাবা নুমিৎতগী চৎনহনখিবা ওর্দর অদুগী মখাদা মীয়ামনা য়ারিমখৈ য়ূমদগী মপান থোক্তনবা অমসুং মপান্দা থোক্লকপদা মতম চূপ্পদা ফেস মাস্ক শীজিন্নবা পাউতাক পীখ্রে।
দিসেম্বর ২০ ফাওবা চৎনগদৌরিবা ওর্দর অদুনা ইমুং-মনুংগী মীওই নত্তবা মীওইশিংনা পব্লিক নৎত্রগা প্রাইভেট মীতিনশিংদা শরুক য়াবদা অথিংবা থম্লি। তৌইগুম্বসুং কন্সটিট্যুসন্না প্রোটেক্সন পীরিবা রাইটশিংগী মখাদা কাঙলোন চুম্না পাঙথোকপা প্রোটেষ্টশিং অমসুং লাইনীং লাইশোনগী সর্ভিসশিং পাঙথোকপদদি অথিংবদু কোমথোক্কনি হায়না লোকল হেল্থ ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখি।
শান্নবুংশিং অমসুং কার্দরুমশিং থিংগনি, তৌইগুম্বসুং ইমুং অমা ওইনা লৈবা য়ূমগী মীওইশিংদি সমুদ্র মপানশিং, ত্রেলশিং অমসুং পার্কশিংদা চঙহনগনি।
ওর্দর অদুনা ইসেন্সিএল বিজিনেসশিংগা মরী লৈননা মী পূনবগী চাং চাদা ৩৫দগী হন্থনবা অমসুং নন-ইসেন্সিএল বিজিনেসশিং, পর্সনেল ক্যের সর্ভিসশিং অমসুং লাইব্রেরিশিংগী মী চাদা ২০দা হন্থনবা খঙহনখি। ফিটনেস সেন্টরশিং, জুশিং, বোটানিকেল গার্দেনশিং য়াওনা আউটদোর বিজিনেসশিংগা মরী লৈননা মী তিনবগী চাংনা য়াম্লবদা চাদা ৫০ ফাওবা হন্থহনখি। কাউন্টি ওথোরিটিশিংগী মতুংইন্না ওর্দর অদুনা মপান্দা পাঙথোকপা চর্চ সর্ভিসশিং অমসুং প্রোটেষ্টশিংদি অথিংবশিংদুনা কোলহন্দে। নিংথৌকাবা নুমিৎতা লোস এঞ্জেলিস কাউন্টি দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিক হেল্থনা অনৌবা কোভিদ-১৯ কেস ৫,১৫০ অমসুং লায়না অসিগা মরী লৈনবা মীওই ১৭ শিবগী রিপোর্ট তৌখিবগা লোয়ননা মেত্রোপোলিটান এরিয়া অদুগী অপূনবা ইন্দেক্সন মশীং অমসুং অশিবা মশীং মথংশিৎনা ৪০০,৯১৯ অমসুং ৭,৬৫৫ য়ৌখি।
পব্লিক হেল্থ ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবদা নোংমদা থেংনবা খ্বাইদগী নৌবা মশীং অদু কাউন্টি অদুদা কালেনগী মতমদা নুংতিগী থেংনখিবা কেসশিংগী মশীংদগী হেনখি। কাউন্টি অদুদা জুলাই ১৪দা লেপখিবা এভরেজ কেস মশীং ২,৯৬০ ওইখি। কোরোনাভাইরস পেন্দমিক্না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লিবা য়ু এসকী ষ্টেটশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা কালিফোর্নিয়াদা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯ কেস মিলিয়ন ১.২৪গী মথক্তা রিপোর্ট তৌখিবগা লোয়ননা লায়না অসিনা মীওই ১৯,২০৯ শিহনখ্রে হায়রি।

# পাকিষ্টান আর্মিনা সিজফায়র থুগাইদুনা কাপশিল্লকপদা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্সকী ওফিসর অমা শিরে

জম্মু, দিসেম্বর ০১ (এজেন্সী) :
পাকিষ্টান আর্মিনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী পুঞ্চ দিষ্ট্রিক্টকী লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী) পরিংদা সিজফায়র থুগাইদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবদা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ) কী সব ইন্সপেক্টর অমা শিখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।
হৌখিবা নবেম্বর থাদা পাকিষ্টানি ক্রুপশিংনা য়ুনিয়ন টেরিটোরি অসিগী তোঙান তোঙানবা সেক্টরশিংদা সিজফায়র থুগাইদুনা কাপশিল্লকখিবদা সিক্যুরিটি পর্সনেল মাপন য়াওনা মীওই ১৫ শিখি। খ্বাইদগী নৌনা থোকখিবা মীশি-মীনাগী থৌদোক অদু বি এস এফনা মখোয়গী রেজিং দে পাঙথোক্লিঙৈদা থোকখিবনি।
হান্না কাইহৌরুবা তৌদনা পাকিষ্টান আর্মিনা অমুকসু এল ও সীগী রাজৌরি সেক্টরদা সিজফায়র থুগাইদুনা কাপশিল্লককিখবদা ফোৱাদ দিফেন্স লোকেসন্দা দিপ্লোই তৌরিবা বি এস এফকী সব ইন্সপেক্টর পাওটিন্সাট গুইতে থৌনা ফনা য়েক্লবদা খূৎ হল্লন্নগা অমদি মহাক্কী কোলিগ কয়াগী থৱায় কল্লন্নগা মথ্বায় থাখ্রে হায়না বি এস এফকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।
লৈবাক্কী ঙমখৈ ঙাক্লিবা মীওই অসিনা খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্তা কথোকপগা লোয়ননা মথৌ তৌখি অমসুং মথৌ পাঙথোক-পাঙথোক্লা মথ্বায় কৎখি হায়নসু ষ্টেটমেন্ট অদুনা ফোঙদোকখি।
থৌদোক অদু পুঞ্চ দিষ্ট্রিক্টকী মেনধারগী মনুং চনবা টার্কুন্দি এরিয়াদা থোকখিবনি। বি এস এফ, জম্মু ফ্রন্টিয়রগী ইন্সপেক্টর জেনরেল এন এস জামৱালনা লৈখিদ্রবা সব ইন্সপেক্টর অদুদা ইকায়খুম্নবা মতিক চানা উৎপগা লোয়ননা মহাক থৌনা লৈবা অমসুং পুকচেল শেংনা মথৌ তৌবা বোর্দর মেননি হায়না শিংথাখি।
মথৌদা কথোক্তুনা লাকপগা লোয়ননা লৈবাক্কীদমক্তগা মথ্বায় ফাওবা কৎখিবা অসিগীদমক্তা লৈবাক অসিনা মতম চূপ্পদা মহাক্কী লমন শিংঙল্লরোই, বোর্দর ঙাকপা মীওই অসিনা লৈখিদবসি অরেম্বা খক ওইরোই হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।
ষ্টেটমেন্ট অদুগী মতুংইন্না বি এস এফনসু পাকিষ্টান আর্মিগী পোষ্টশিংদা কন্না খূৎ হনখি। লৈখিদ্রবা পর্সনেলগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অদু মহাক্কী পোক্লফম ওইরিবা মণিপুরগী মফৌকুকি ভিলেজদা প্লেনদা পুদুনা ষ্টেটকী ইকায়খুম্নবা মতিক চানা উৎতুনা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লগনি। ইমুং মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু বি এস এফনা শরুক য়ারি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; SAWOMBUNG, IMPHAL EAST

**Ref :- Mutation Case No. 351/SDC/SWG of 2020**
Parties :
1. Yengkhom Dhana Meetei S/o (L) Babudhon of Kharason Awang Leikai.
2. -do- Pakpi Leima W/o Dhana of -do-
} (0.32 acre from Dag no. 44)
3. -do- Netrajit Meetei S/o -do- of -do- (0.32 acre from 44)
4. -do- Ojit Meetei S/o -do- of -do- (.155 acre from 42)
5. -do- Lemba Meetei S/o -do- of -do- (0.155 acre from Dag no. 42)
- Petitioners

-Vrs-

Late Pattadar
Yengkhom Babudhon Singh S/o Babu Singh of Kharason
- Opposite Parties

ꯈꯪꯖꯤꯟꯅꯕ / **NOTICE**

Sawombung, the 1st December 2020

Under section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি সওম্বুং তহশিল খুল নং 63-Kharason পাট্টা নং 154 (অনৌবা) দাগ নং 42 & 44 মোট এরিয়া 0.31 (Ingkhol) 0.64 (Anganphou) একর চাওবা পাট্টাদার Yengkhom Babudhon Singh মৃত্তু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারিশিং অসিনা মৃত্তু পাট্টাদারগী মিং কল্লগা মখোয়গী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি / ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা আইবা চে ওইনা আপতি পীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

***Sd/-* Sub-Deputy Collector,**
Sawombung Imphal East
HL-P/8149/2

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; SAWOMBUNG, IMPHAL EAST

**Ref :- Mutation Case No. 350/SDC/SWG of 2020**
Parties :
Ngangbam Romiyo Meitei S/o (L) Birahari Singh of Chingarel Tejpur Makha Leikai - Petitioner

-Vrs-

Late Pattadar
Ngangbam Birahari Singh S/o Ningthemjao Singh of Chingarel.
- Opposite Parties

ꯈꯪꯖꯤꯟꯅꯕ / **NOTICE**

Sawombung, the 1st December 2020

Under section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি সওম্বুং তহশিল খুল নং 34-Sangomsang পাট্টা নং 262 (অনৌবা) দাগ নং 1047 মোট এরিয়া 0.60 একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার Ngangbam Romiyo Meitei মৃত্তু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারিশিং অসিনা মৃত্তু পাট্টাদারগী মিং কল্লগা মখোয়গী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি / ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা আইবা চে ওইনা আপতি পীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

***Sd/-* Sub-Deputy Collector,**
Sawombung Imphal East
HL-P/8149/2

## IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-III, MANIPUR

**Ref :- Mutation case no. 257/AS & SO-III 30/11/2020**
1. Sanasam Harimohon Singh S/o S. Madan mohon Singh of New Checkon.
2. Sanasam Leimaton Devi W/o S. Biro mohon Singh of New Checkon
3. Sanasam Sochi mohon Singh S/o S. Madan mohon of New Checkon
4. Sanasam Rajmohon Singh S/o S. Madan mohon of New Checkon.
-Petitioners

-Vrs-

Late Sanasam Madan mohon S/o Late S. Sanaba Singh of New Checkon
-O.P.

ꯈꯪꯖꯤꯟꯅꯕ / **NOTICE**

Imphal, 1-12-2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ১০২-হাফিজ হাট্টা পাট্টা নং ১৯ অরিবা ৯৫ অনৌবা দাগ নং ১০৮ এরিয়া .১৫৫ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার Sanasam Madan mohon মৃত্ব ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারি / দংকারিশিং অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ৯/১২/২০২০ ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্য অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিক অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইগী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

**Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer-III**
Manipur
HL-P/8145/2

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; MOIRANG

**Ref :- Mutation Case No. 293/SDC/M 1/12/2020**
1. Moirangthem Ibochouba Singh S/o Late Yaimachou Singh of Ithing Mamang Leikai.
2. Moirangthem Rabango Singh S/o (L) -do- of -do-

-Vrs-

Late M. Yaimachou Singh S/o (L) M. Tompok Singh of -do-

ꯈꯪꯖꯤꯟꯅꯕ / **NOTICE**

Moirang, the 1st Dec., 2020

Under section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি। মদুদি খুল নং ৬৬-ইথিংদা লৈবা পাট্টা নং ১৩ অরিবা ১৮ অনৌবা সী এস দাগ নং ২৩ এরিয়া ০.১১ একর চাওবা ইংখোল অসিগী কো-পাট্টাদার নং ১ অসি মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ: ওইখ্রবা কোপাট্টাদার নং ১গী ইমুং-মনুং মচাশিংনা লম অসিগী মিং ওনবীরো হায়না উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্টতা আপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। উক্তা কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি।

HL-B/6575/2 ***Sd/-* Sub-Deputy Collector,** Moirang

## IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-IX, MANIPUR

**Ref :- Mutation case no. 91/AS & SO-IX of 2020**
1. Haji Rahimuddin S/o (L) Atomba Miya of Haoreibi Makha Leikai
2. Md. Jamaluddin S/o Haji Rahimuddin of -do-
-Petitioners

-Vrs-

Md. Ajimiya S/o (L) Maheimiya of Leihaokhong
-O.P.

ꯈꯪꯖꯤꯟꯅꯕ / **NOTICE**

Dated, Imphal the 30th Nov., 2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ১৪-ওইনাম পাট্টা নং. ১০৪ অরিবা ৪২৬ অনৌবা দাগ নং. ১২৮৭ এরিয়া .৫৬ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার অজিমিয়া পীং মহৈমিয়া সাং লৈহাওখোং মৃত্ব ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারিশিং অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ৭/১২/২০২০ ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিক অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

**Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer-IX**
Manipur
HL-B/6574/2

## IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-III, MANIPUR

**Ref :- Mutation case no. 260/AS & SO-III 30/11/2020**
Petitioners :-
1. Ngangom Roma Devi W/o (L) Ng. Bobby Meitei of Wangkhei Pukhrambam Leikai.
2. Robert Ngangom S/o -do- of -do-

-Vrs-

1. Ngangom Sakhitombi Devi W/o (Late) Indrajit Singh of Wankhei Laishram Leikai
2. Ngangom Bobby Meitei S/o (Late) Indrajit Singh of -do-
3. Ngangom Ratan Singh S/o -do- of -do-

ꯈꯪꯖꯤꯟꯅꯕ / **NOTICE**

Imphal, 1-12-2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং 27-Wangkhei Nongpok পাট্টা নং ২২৭ অরিবা ১৫১ অনৌবা দাগ নং ২০৬৮ এরিয়া .১৩ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী কো-পাট্টাদার নং. (২) Ngangom Bobby Meitei S/o (L) Indrajit of Wangkhei Laishram Leikai মৃত্ব ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারি / দংকারিশিং অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ৮/১২/২০২০ ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্য অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিক অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইগী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

**Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer-III**
Manipur
HL-P/8145/2

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; NAMBOL

**Ref :- Mutation Case No. 1216 of 2020**
Maibam Roshni Devi D/o (L) M. Jayentakumar Singh of Keishamthong Ahanthem Leikai. -Applicant

-Vrs-

(L) Maibam Jayentakumar Singh S/o (L) Ibotombi Singh of Keishamthong Ahanthem Leikai. -O.P.Pattadar

ꯈꯪꯖꯤꯟꯅꯕ / **NOTICE**

Nambol, the 1st Dec., 2020

Under section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নম্বর ২২-নাওরেমগী পাট্টা নং ৪১৪,৫০১ (অনৌবা) দাগ নম্বর ১৪০০, ১৩৯৯ এরিয়া একর ০.৫৬, ০.৬৫ চাওবা তাওথবী লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং কল্লগা মাগী মমিংদা লম পূম্বা অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

HL-P/8154/2 ***Sd/-* Sub-Deputy Collector,** Nambol

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; NAMBOL

**Ref :- Mutation Case No. 1204 of 2020**
1. Naorem Leimajaobi Devi W/o (L) Irabot Singh of Naorem Mayai Leikai.
2. Naorem (o) Bijiya Devi W/o Hemjit Singh of -do-
-Applicants

-Vrs-

1. (L) Naorem Tiken Singh S/o Irabot Singh of Naorem.
2. (L) Naorem Irabot Singh S/o (L) Gulap Singh of -do-
-O.P.Pattadars

ꯈꯪꯖꯤꯟꯅꯕ / **NOTICE**

Nambol, the 1st Dec., 2020

Under section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নম্বর ২২-নাওরেমগী পাট্টা নম্বর ৩৪৮/৭৯১ (অনৌবা) দাগ নম্বর ১০৯০/১৫৭৪ এরিয়া একর ০.১৩ চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার অনী অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারিনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মখোয়গী মমিংদা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

HL-P/8154/2 ***Sd/-* Sub-Deputy Collector,** Nambol

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; BISHNUPUR

**Ref :- Mutation Case No. 186/SDC/Bishnupur of 2020**
Thoudam Ongbi Mema Devi W/o, (Late) Megha Singh of Bishnupur Ward No. 6. - Petitioner

-Vrs-

1. Thoudam Megha Singh S/o, (Late) Rajen Singh of Bishnupur Ward No. 6.
2. Thoudam (O) Mema Devi W/o, (L) Megha Singh of Bishnupur Ward No. 6. - O.P.

ꯈꯪꯖꯤꯟꯅꯕ / **NOTICE**

Bishnupur, the 28th November, 2020

Under section 46(3) of MLR & LTR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি Co-pattadar No. 1 Thoudam Megha Singh S/o (L) Rajen Singh of Bishnupur Ward No. 6 গী মিংদা পানবা খুল নং 38-Bishnupur Kha গী পাট্টা নং 635 (Old)/ 796/1903 (New) C.S. Dag No. 1535/3445 গী 0.015 acres চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পিটিস্নরগী মিংদা নামা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা কনাগুম্বীশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা আপতি (য়েৎপা) য়াগনি। করিগুম্বা য়েৎপীহৌদ্রবা তারবদি মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থরনি।

HL-P/8150/2 ***Sd/-* Sub-Deputy Collector,** Bishnupur

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; NAMBOL

**Ref :- Mutation Case No. 1208 of 2020**
Thounaojam Sobita Devi W/o (L) Th. Sangai Singh of Nambol Phoijing Makha Leikai -Applicant

-Vrs-

(Late) Thounaojam Kamdeva Singh S/o (L) Chaoba Singh of Nambol Phoijing Makha Leikai. -O.P.Pattadar

ꯈꯪꯖꯤꯟꯅꯕ / **NOTICE**

Nambol, the 1st Dec., 2020

Under section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নম্বর ১৭-ফোইজিং মখা পাট্টা নং ২২ (অরিবা) ৬ (অনৌবা) দাগ নং ৬৮ এরিয়া ০.২৫ একর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং কল্লগা মাগী মমিংদা ইংখোল অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

HL-P/8154/2 ***Sd/-* Sub-Deputy Collector,** Nambol

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG

**Ref :- Mutation Case No. 403/SDC/IW-L/2020**
Angom Jadhov Singh S/o Mangi Singh of Phayeng Awang Leikai
-Petitioner

-Vrs-

Oxford English Academy Secretary Phayeng -O.P/Party

ꯈꯪꯖꯤꯟꯅꯕ / **NOTICE**

01/12/2020

U/S 46(3) MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি Oxford English Academy Secretary Phayeng সাং ফয়েংগী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৫৭-কাংচুপকী অনৌবা পাট্টা নং ১৭৯ দাগ নং ১২১/২৭৮ অমসুং ১২০/২৭৯গী এরিয়া ০.১১ অমসুং ০.৪১ অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী ৭ নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

***Sd/-* Sub-Deputy Collector,**
IW: Lamsang
HL-P/8155/2